# ৱারেং

## মতম ঈশৈ

**অরিবম শ্যাম শর্ম্মা**

**মতমগী** য়াওল ঈরোইননা ঈশৈ–নোংমাইগী হীরমদা অওনবা, অহোংবা লাকপসি তোয়না থেংনৈ। মমাঙঙৈদা লৈরম্বা শৈহেক–শৈরোল, শৈদা কয়াদু, হোংলক্লিবা পুন্সিগী চত্থরক্লিবা খোঙচৎকা ইচু–চুশিন্নদবা মরম্না নীংবা থুংলক্তুবা কয়ানি। মতমগী য়াওলগা ঈরোইননা হিংলিবা মীরোলগী থম্মোয়দা ফাওরকপা পূক্নীংগী ঈথিলবু ফোঙদোক্নবা মতমগা চুনবা ঈশৈ মখল অমা শেম্বা, পুথোকপা তঙাই ফরক্তে।

কুনশুবা চহীচা, মরু ওইনা পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা মণিপুরী খুন্নাইগী পুন্সিরোলদা অচৌবা অহোংবা, অওনবা কয়া লাকখি। হায়রিবা মতম অসিগী মীরোলনা মায়োক্নখিবা থৌদোক–ৱাথোক, মখোয়গী ৱাখল–মঙলান ময়ামবু ফোঙদোক্নবা হোৎনবা, শম্না হায়রবদা অনৌবা পুন্সি মহীং অমবু শৈথাবদা অনৌবা ঈশৈ–শৈশক মখল অমা পান্লকই। হোংলক্লিবা পুন্সিবু মমি তাহনবা ঙম্বা ঈশৈ মখল অমা থিরকই।

লমদম অসিদা হান্না লৈজরম্বা ঈশৈ মখল কয়ানি–খুনুং ঈশৈ, পেনা, নট সংকীর্ত্তন, খোংজোম পর্ব্ব, কালাৱাতি (হিন্দুস্তানী শাস্ত্রীয় সঙ্গীত) অসিনচিংবা। অদুবু হায়রিবা ঈশৈ মখলশিং অসিনা হোংলক্লিবা অনৌবা পুন্সি–শক্তম্বু শৈথাবা লুনা থোক্লে। হান্নগী ঈশৈশিং অসিদি মতম মতমদুগী পুন্সিবু শৈথাবা, অয়াম্বনা অকল–অথৌগী ৱারী লৈমা–নিংথৌকোনগী, লৈমশীজগী, মজাইবেম্মা/ইবুংঙোশিংগী, য়াইতোং–খমদোংবশিংগী, সমাজগী ফিদম্নফম ওইবা/ ওইবীশিংগী, লাইনিং–লাইশোনগী, চৎনবীগী পথাপ–পরীনচিংবা শৈথাবনি। মতম অদুগী অপাম–পামদা, ৱাখল–মঙলান, নুংশি–নুংওনগী ৱারী শীংবুল ফোঙদোক্নবা শকপা ঈশৈনা অয়াম্বনি হায়বা য়াই। মতম অসিগী মীওইশিংনা পাল্লিবদি অয়াম্বনা মীচমশিংগী পুন্সিবু শৈথাবা ঈশৈনি। মখোয়গী অপাম–পামদা, হায়নিংবা, ৱাখল, মঙলান, নুংশি–নুংঙোল অসিনচিংবা ফোঙদোক্নবা হোৎনবা ঈশৈনি পাল্লিবসি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা, হান্না চৎনরল্লিবা ঈশৈ মখলশিং অসিদি অয়াম্বনা মপূং ফানা শক্লবা অমদি তানবা হোৎনবদা পূং কয়া, নুমিৎ কয়ানি চঙবা ঈশৈ–শৈদা ঙাক্তনি নৎত্রবদি তারিবা নৎত্রগা শক্লিবা ঈশৈ অদুগী মহাও চপ চানা ফংবা নৎত্রগা পীবা ঙমদবগী ৱাফম লৈ। অদুনা হৌজিক্কী তং–তাদবা, অয়াংবা পুন্সি মহীং অসিদা মতম য়াম্না চঙবা ঈশৈ শকপা, তাবা হায়বসি তরাই–তরাইবা ৱাফম ওইরকএ। অতেনবা, মতম য়াম্না চঙদবা, চাউরাক্না মিনিট মরি–মঙাগী মনুংদা ঈশৈ অমা মপূং ফানা শক্তুনা ফোঙদোক্নীংবা পূক্নীংগী ৱা ফোঙদোক্তুনা নুংঙাইহনবা ঙম্বা ঈশৈ মখল অমা পুথোকপগী তঙাইফদবা লাক্লে।

ঐখোয়গী হান্না লৈজরক্লিবা ঈশৈশিং অসিদি অকক্নবা, চেকশিনবা নিয়ম্না পুল্লি, কায়বা য়াদে। ঈশৈশিং অদুবু মুন্না খঙবা নৎত্রবদি তাবা হৈনদে, মহাও খঙবা হায়বদি নুংঙাইবা ঙমদে।

ঙসিগী ঐখোয়গী মতম ঈশৈ হায়না খঙনরিবা ঈশৈ মখল অসিদি মী অয়াম্বনা ঈশৈ মখল অসি শকপা অমদি তাবা হৈনৈ।

মতম ঈশৈ মীয়ামগী ঈশৈনি, হৌজিক্কী খোঙজেল য়াঙবা, অরাঙবা, তং–তাদবা, মুক্নবনা খনবা পুন্সি মরেল অসিবু ঙাইহাক্তুংদা ওইরবসু পোত্থাহনবা ঙম্বা পার্ফোমিং আর্ট ফোর্ম অমনি। য়াঙনা চেন্থরক্লিবা অওনবা পুন্সিগী মমি তারিবা ঈশৈ মখল অমনি মতম ঈশৈ।

য়াঙনা চেন্থরিবা মতমগী য়াওলগা ঈরোইননা তাউথরক্লিবা অওনবা পুন্সিগী মমি তারিবা ঈশৈ মখল অসি মতম ঈশৈনি, মতম ঈশৈ– নোংমাইনি। ঈশৈগী শৈরেং নৎত্রগা ঈশৈ ময়েক হায়বসি মতম ঈশৈগীদি হকচাং কয়াৎনি হায়না লৌনৈ। মসিবু শৈরোল হায়রগসু খঙনৈ। মসি তোঙান তোঙানবা হীরমদা ইবা য়াই, শৈরেংবা অদুগী মনীং তম্বনি। অদুবু ইনিংবা হীরমদা ইরবসু ফজবা ঈশৈগী ময়েক নৎত্রগা শৈরোলদি ওইনবা হোৎনবা তাই।

মতম ঈশৈ শৈরেংগী হীরম ৱাৎপা লৈতে–লাইনিং–লাইশোন, লৈবাক ঙাক্লোন, মহৌশা, বিজ্ঞান, পোলুসন, লায়না–তীলনা, খুন্নাইগী পুন্সি মরেল, শিল্লম–শিন্থা, নুপী–অঙাং অমদি খুন্নাইদা লৈরিবা মীওই কয়াগী মরমদা শৈথাদুনা ইবা ওইবা য়াই। মতম ঈশৈ শৈরোলদা চন্দবা হীরম লৈতে। লমদম অসিগী থায়না চৎনরম্বা ফজবা নাৎপু শৈথাদুনা ইবসু য়াই। পুন্সিবু মখল কয়াদা শীংথাদুনা ইবা য়াই, শাগী, উচেক্কী, মঙলৈবাক্কী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা ঈশৈ শৈরেং/শৈরোল অদুগী মতীক–ময়াই ইচম চম্বদি য়ারোই, ফজবা শৈরোল ওইনবা হোৎনবা তাই। ঈশৈ ময়েক ইবগী কয়াৎ খরা শোক্তুনা পাবা নুংঙাইবা, সুর থোক্কদবা ময়েক নৎত্রগা শৈরোল ওইহনবা তাই, হীরমগীদি ইনিংবা থিমদা ইবা য়াই।

হৌজিক্কী মতমদা শৈরেংবশিংনা মতম ঈশৈগী শৈরোল ইবদা নুংশি–নুংওনগীতা ওইবা হীরমদা হেন্না খূৎ থাবগুম উরি। মতম ঈশৈবু নুংশি–নুংওনগী হীরমতমক শৈথাবা ঈশৈনি হায়না লৌবা তারবদি ঈশৈ মখল অসিগী পান্দমসি য়াম্না পীকশিনবা অমদি অখুবা মীৎয়েংনা য়েংবা ওইগনি।

শৈহেক হায়বসি ঈশৈগীদি থৱায়নি। থৱায় হাপ্লবা হকচাংনা তাইবঙদা লেঙ–ওৎতুনা হিংদুনা লৈবগুম হান্না ইদুনা লৈরবা ঈশৈ–শৈরেং অদুদা শৈহেকনা হেক চঙলকপদা শৈরেং অদু ঈশৈ ওইরে, অহিংবা পোৎকুম থৱায় পাল্লে। শৈহেকনা য়াওদ্রবদা শৈরেং অদু শৈরেং ওইনা অদুম লৈবা তাবনি। অদুনদি হকচাং ওইরিবা শৈরেং অদুগা চান্নবা থৱায়, শৈরেং অদুগা চান্নবা শৈহেক অমা পুথোরকপদগীদি শৈরেং অদু ঈশৈ ওইরবনি। অদুনা ঈশৈগী শৈরেং নৎত্রগা শৈরোল অদুবু ঈশৈ ওইনবা হোৎনবদা শৈহেক অমা শেম্বা, পুথোকপা হায়বসি লৈরাংবা নৎত্রগা শৈবানবা অদুগী মথৌনি।

মথক্তসু পঞ্জখ্রে শৈরেংদি ঈশৈগী হকচাংনি, শৈহেক্না থৱায়নি। শৈহেক শেমগদৌরিবা মী অদুনা শৈরেং অদু হঞ্জিন–হঞ্জিন পারগা মানা পামজবা মতুং ইন্না শেম্নিংবা, লৌনিংবা স্বরগী অপূনবা কয়াৎ (কোম্বীনেসন ওফ নোটস) লৌবদা অকায়বা, অথিংবা লৈতে। শৈরোল অদুগা চান্নবা শৈশক থিবা তাই। লম লমগী ওইবা ঈশৈগী শৈশক, খুদম ওইনা ফোল্ক, ত্রেদিস্নেল, হিন্দুস্তানি শাস্ত্রীয় সঙ্গীত, ৱেষ্টর্ন ম্যুজিকনচিংবা অমদা হেক্তা য়ূম্ফম ওইবা য়াই। তৌবতবু শৈহেক্কা শৈরোলগা অনী অদু চান্নরবরা, চুশিন্নরবরা হায়বসিমদি কুপ্না য়েংশিনবা চঙই। ঈশৈ ময়েক্তা চান্নরোইদবা শৈহেক নমদুনা খক পানশিল্লোইদবনি। শৈহেক পানবদা নম–হাবগী থবক অসি ইপক পক্নদে, অদুনা পক্নবা শৈহেক থিদুনা ঈশৈ ময়েক অদু শৈহেক পনবা তাই।

শৈরেংবগী শৈরোলদা চানবা শৈহেক শেমদুনা শৈবানবা অদুনা অনৌবা মতম ঈশৈ অমা শেম্লে। মথংদা শেম্লিবা ঈশৈ অদু শৈশকপা/ শৈশকপী অমনা শক্তুনা মীয়ামদা তাহনবা য়ৌহনবা তাই। মহাক্না ফৎত্রবদি ঈশৈ অদু ফজবা ঈশৈ ওইরোই। খোঞ্জেল অদু অফবা, খোল্লে–খোন্দা নুংশিবা, শৈশক–শৈদা অদুগা চানবা ওইনবা য়ারিবমখৈ হোৎনবা তাই। ফজবা মতম ঈশৈদা মতিং লৈবা শৈরোল, চান্নবা শৈহেক, অফবা নুংশিবা খোঞ্জেল, খোন্থোক চঙই। শৈশকপা/শৈশকপী অদুনা ঈশৈ অদুগী শৈরোল অদুগা শৈহেক অদুনা পীরিবা ঈহুল, ঈথিল নীংথিনা মশাদা ফাওবা অদুগা ফোঙদোকপা ঙম্নবা হোৎনবা তঙাই ফদে।

হায়খ্রিবা মতম ঈশৈগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা মচাকশিং অসিগী মথক্তা যন্ত্র সঙ্গীত (ইন্সট্রুমেন্টেল ম্যুজিক), য়ৈবা–কোংবগী মফম য়াম্না চাউনা লৈবা মতম ঈশৈনি। যন্ত্র সঙ্গীত অসিদি ঈশৈ অদুগী লৈতেংনি হায়না লৌনৈ। ঈশৈ অদু মতমগা চান্নবা নীংথিনা যন্ত্র সঙ্গীতনা য়োমশিন্দুনা, লৈতেংদুনা ফজবা ঈশৈ ওইনা পুথোকই। নৎত্রবদি ঈশৈ অদুগী মতীক–ময়াই হন্থগনি।

## তাবুনুংদগী

হৌখিবা কুমজা ১৯৯৯ গী ফেব্রুৱারী ১৯ দগী ২৫ ফাওবা মণিপুরদা মঙাশুবা নেস্নেল গেমস পাঙথোকখি। গেমস অসি হৌদোকপগী থৌরম খুমন লম্পাক্তা লৈবা মেন ষ্টদিয়মদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা গেমস অসিগী মাস্কোট ওইখিবা সঙাইবু শৈথাবা ঈশৈ অমা থিম সোং ওইনা শকখি। ঈশৈ অসি রাজেন্দ্র ওক্রমনা শৈরাংবনি। সুর পানবনা অরিবম শ্যাম শর্ম্মনি। ঈশৈ অদুগী ময়েক অদু ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।

### হো পারি সঙাই নঙবু

হো পারি সঙাই নঙবু
কৌগেনে নঙবু নিংথেম
লোক্তাক্কী ফুমথক
কৈবুলদা হিংজবা
হাদ সঙাই নুংশিবা নঙবু
কৌগেনে পেন্না নিংথেম।

কুমজা কয়া ঙাইরকপা
নঙতবু উনিংনা খাঙলকপা
য়ৌরক্লে য়াইফ পুংফমদো
হরাউ তুজুংলে মণিপুর
খুমন লম্পাক শান্নবুংসে।

অতাওবা ফুমথক থাদোক্তুনা
হরাও নুংঙাইগী পুংখোল্লক্তা
চেন– চোংনা শান্নররো
উন্নররো নচিন–ননাওশিং
ভারতকী শান্নরোইশিং।

নঙগী নুংশিবা শক্তম্না
নঙগী ফজবা শাথেক্লা
পীররসনু মালেমদা
পুকচেল খোয়জেল তিন্নমা
নুংশি চান্না হিংমিন্নবা

*শৈরেংবা ঃ রাজেন্দ্র ওক্রম*
*শৈশকপশিং ঃ অপূনবা*

## মণিপুরী পাঙ্খে–পাউরৌ, পাউতাক

- * **কোমজাউ অমা ঈশিংলগা ঙা খুয়ামুক্তা ফাবা।**
  - ৱাখিবদুগা মান্নবা মহয় ফংদবা।
  - হুমাং মমল হঞ্জিনদবা থবক।
- * **কোল্লুগী ষণগুম্না শীজিন্নবা।**
  - মী অমবু নৈখায়দুনা থবক শুহনবা।
- * **কোলোম্না থৌবদি থাঙদগীসু হেল্লি। (কোলোম্না থাঙদগী হেন্না থৌই)**
  - তৌনিংবতা তৌবা ঙম্বা কোলোমগী মগুণ।
  - মী কনগে হাৎকে ইঙমদা ঙম্বা পোৎশক।
- * **কোলোম শেমদনবু, মরূ লৈতনবু মউ লিংবা য়াবরা।**
  - মপী মপা লৈতনা মচা মনাও তাবা য়াদে।
- * **কোর্ফু য়োম্থোক্লগা তুম্বা লেপ্পা।**
  - মমল য়াম্বা পোৎ থাদোক্লগা মমল লৈতবা পোৎ লেপশিনবা।
- * **কোর্ফু কোর্ফাল লায়র কোম্নি।**
  - মমল য়ান্নবসু মতম কুইনা চৎকদবা ওইবনা লায়রবা মীগীদমক্তা য়াম্না কান্নগদবা পোৎ।
- * **কোর্ফুদা খূজিন্না শীক্ননু, য়োংদা য়ুবী খোকহনগনু।**
  - ওইরোইদবা কান্নরোইদবা থবক তৌবা চুমদে।
- * **কোর্ফু মনীংদা খূজিন্না শীকপা।**
  - ওইরোইদবা থবক্তা হোৎনবগী কান্নদবা
- * **কোম্না পায়সি পায়ঙমদা, চেংনা পায়সি পায়ঙমদা।**
  - চরক চহিং নাইবা থৌদৌ।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

## চানক্য নীতি

- কনাগুম্বা হেঞ্জিন্না নুংশি–পামশিল্লুরবদি অকিবা অৱাবা ফংই। অৱাবশিংগী মরুদি হেঞ্জিন্না পামশিনবনি, অদুনা নপশিন–পামশিনবা য়াওদনা নুংঙাইবা পুন্সি লেনবা তাই।
- তুংগী খন্দুনা অরাকপা অমা মায়োক্নদুনা লেনবা পুন্সিদো মায় পাকপনি। লাইবক্তা তাইনরগা ঈশ্বরনা তৌবীরক্কনি ঙাইবা পুন্সি মরেনদি মাঙনিংঙাইনি।
- নিংথৌনা ধর্ম চেল্লবদি প্রজা ধর্ম চেল্লি, পাপ তৌরগা পাপ তৌই, থোইদোক্ত্রগা প্রজাসু থোইদোক্তে। নিংথৌগী মতৌ প্রজানা তম্বনি। নিংথৌনা ওরিবদুনি প্রজানা ওইরিবা।
- ধর্ম য়াওদনা হিংলিবদু অশিবগুম্বনি। শিজখ্রবসু ধর্ম কায়রমদবদু হিংলিবনি, মসিদা চিংনগনু।
- ধর্ম, লন, অপাম্বা, অরান খুভম হায়রিবশিংসিদগী অমা ফাওবা ফংদ্রবা মীদুগী হিংলিবদু শঙ্গোম শুম্নদ্রবা হামেংগী য়াম্থরিবা খোমজিনগুম্না কান্নদ্রবনি।
- অতোপ্পনা মিং চৎপদা পুক ফত্তবা মীগী থম্মোয় খাঙঙমদনা চাকই। মিংচৎ অদু ফংবা ঙমদ্রবদা চৈ চৈদুনা ঙাংই।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

## মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

২০০. চীংগী নিংঙোল, তম্পাক ওংবী, ইঙা থাদা চাউগনবী, মপান লমদম য়েংলমদা খোয়দ্রিং–খোইদ্রাং চৎখিবা করিনো হায়য়ু–

২০১. তেমশুবন মচা থিল্লু–থিল্লু বৃন্দাবন মচা থাউ–থাউ ৱাশ মচা হাৎলু–হাৎলু করিনো হায়য়ু–

২০২. মীওইবদা কান্নবা পোৎশক অমগী মমিংদা ময়েক অমা হাপচল্লবদি মীওইবগী য়েক্লবা জীব অমগী মমিং ওই। জীবদুগী মমিংদা ময়েক অনী হাপচনবদা জীবদুদগী কন্নবা খূৎলাই ওই– করি পোৎনো?

২০৩. নঙগী সেবাগীদমক পোক্লকপনি ঐসে। নঙগীদমক খ্বাঙদা খ্বাঙচেৎ লাক ইকোক ইচাউ চাউ অহিং নুংথিল খায়দনা নঙগী সেবা তৌজরি। অদুবু নঙনা পেল্লবা তুংদা অরাপ্পা দেশতগী লাকপা ঐবু লাপনা লংথোকপীরি। করিগুম্বা কান্দা ঐবু নৈহৎপীরি করিনো?

***মমাঙ নোংমাইজিং (২৮–০৭–২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

১৯৭. হুইদুনা উদবা নাকল অমদগী অনকপা অদুৱাইদা লৈবা মোংশোং অমদা হুরান চিন্থী তৌবা মী নৎত্রগা শা–উচেক লৈবা মান্নবা নুঙ–তেংপাক লংশিনগনি। মানা হৌগৎখ্রিঙৈদা গেটতু লানশিনগনি।

১৯৮. তরেং।

১৯৯. কেতুকী কৌবা লৈ।

## চয়োলপিগী ফাগী

**পাউতাক!!**

নুপী – (মাগী নুপাদা ওইনজনা) মোইতামো অয়ূক খুদিংগীনে হেক হৌগৎপগা পূংখায়মুক্তি কোকসে ঙাওগুম চিক্লুম্নতা তৌদুনা লৈ, কনানো ডাক্তর অমদা অমুক্তা য়েংথোকহনসিবা?

নুপা – (নুংশিনা অমসুং থওইনমক্কী) হেরা অদুগীবু অমুক ডাক্তরদা করিগী চৎচরুনিয়েগে, অয়ূক হৌগৎপদু পূংখায়মুক হেক তুমথরগা হৌগৎলুদনা।

**তাদবা য়াদবা ৱা!!**

লম পীকপদগী, শাইজিন শম্নবমখৈ ময়ূম শানদুনা মচিন–মনাও য়ূমথংনৈ। মদুদা অমগী নুপীনা নুপাদা নোংমা–

নুপী – মখোয়রোমগা থংনবদা ফাৎলিবা থোঙনাউ মচাসে ঐদি ওন্থোক্লা হৈনজখিদ্রে, মখোয়গীদা খঙদে ঐখোয়গীদা খঙদে ঙাংন–শক্নবকা ইতা–হেক তানরদনা ইউ হেক উনরদনা খরা মেনশিনবীয়ুবা? (নুপীগী ৱাদু চুম্মী খন্দুনা নুপাদুনা থোঙনাউগী অহোবা শরুক্তু উবাক য়ৈশিন্দুনা চেংনা মেনশিল্লি, অদুবু নোং–নীনি লৈরগদি...)

নুপা – আ–আয়! মেনশিল্লু হায়দনা কয়া ৱানা উবাক য়ৈশিনখ্রবা থোঙনাউসি কনানা করি তৌরে অমুক হাংদোক্লল্লিবসিনা?

নুপী – (নুপাগী মনাক্তা চঙশিল্লক্লগা খোন নেমথনা) মখোয়রোমদা করি করি ঙাংন–শক্নরি হায়বা করিমতা তাদবদগী ঐনা হাংদোকহল্লবনি।

মমা – আ আই! ইবুঙোমচা নঙ চৈ চাগেরা করিগীনো মীনুগী মমৈ চিংবীরিদি হা?

মচা – মমা ঐদি চিংদেয়ে সুম পায়বীবদনি মীনুনা পঙচিংদা চিংজরিনীনে।

**হৈনবী!!**

ভোট কাদবদগী এম এল এ, মন্ত্রি ওইরবা চাওভলদু মচানুপাগা লোয়ননা ইম্ফালগী তুলিহল এয়ারপোর্টতা মশানা জিপ থৌজদুনা লাকমীন্নে। এয়ারপোর্ট য়ৌরগা মচানুপাবু মপান্দা পোৎ– চৈ শংবা ওইনা জিপতা ফমহল্লন্নগা মহাক্লা মনুং চঙলক্তুনা ও কে তাদ্রিবা টিকেটতু শকখঙ–মায়খঙনবা থিদুনা ও কে তৌহল্লগা রিপোর্ট তৌই।

প্লেনসু পাইরকখ্রে, অদুবু মপাবুং এক্স এম এল এ চাওভলদি মথোরক্ত্রবদা, মচানুপাদু জিপ থাদোক্তুনা চঙলক্লগা মপাবুংবু থিরবা ওইনা সেক্যুরিটিগী মীওইশিংদা হংলে।

– অঙ্কল এক্স মিনিষ্টর চাওভলকা উবীবরা?
– কৈগীনো ইঙো মাদি রিপোর্ট তৌদুনা মনুংদা চঙখ্রেনা।
– অস! পুমশোয় শোয়রে, মাবু অমুক্তা কৌথোকপীরকপা য়ারোইদ্রা, ঐ মাগী মচানুপানি?
– কৈ তৌরে ইঙো হৌজিক প্লেন পাইদৌ ঙাইরসিদা।
– অস! অঙ্কল পাবুংদো ... দিল্লি চৎকদবদি পাবুং নত্তে মাদি ঐবু থিন্দোরকপা লাকপনি!

## শৈরেং

### তৌরিবসি করিনো?

*– রাজেন খুমুকচম*

অসুক পীকপা
ঐগী পুন্সিসিদা
অসুক য়াম্বা ওন্ন–তৈনবশিং
থৌদোক ৱাথোকশিং
থম্বা চল্লক্কদবা মান্দ্রে।

অসুক কুইনা লাইরজরকপা
মদুগী মহয়রা
ঙসি ঐনা ফংলিবসে?

খোঙপাক্লা কাওদেদা খাক
ঐবু ওৎপীরিবা,
মীরাইবিবগুম তৌরিবসে
মসিগীদমক্লা ঐনা হিংলিবসে
হে মপু নঙনা
তেরিবসি করিনো?

### লম্বানবা

*– কাংঙবম ইঙারেম্বা*

শিনফম পূনবা মশেল
কাংলোন মান্নবা কাঙলূপ
মীৎয়েং পান্দম খেন্নবনা
মরক মরক্তা উংখৎনৈ
করিগুম্বা মতমদা য়েংথিনৈ।

মীওইবদি অহেনবা পামই
পেনথোকপা হৈতে লৈজরিবনা
ফমথোন কানিংই অৱাংবা
খূৎনা অমা তৌরকই।

থাক মান্নবা মশেলসু
অমনা অমবু থাজনদে
মীনা মীবু হুনৈ
চিনবালদা অফবা শারগা
লীচৎ–শাজৎনা তোঙাল্লি।

নুপাগা নুপীগা খেন্নে
অঙাংগা অহলগা মান্নদে
লায়রবগা ইনাকখুনবগা তিন্নদে
শঙ্গোমগা ঈশিংগা তোঙাল্লি
হৈগা লৈগসু অমমমনি।

নুমিৎনা মাবু কল্লকচৈ
থানা নুমিৎ থাদোক্তে
অহিংগা নুংথিলগা মান্নদে
মান্নদবা মরক্তা খেন্নবশিং
করিগী পাম্নরি পূনশিনবা।

থৱায় পানবশিং নুংশিনদে
নুপাসু নুপাগা শিংনৈ
নুপীসু নুপীগা মুক্লে
অঙাংসু অঙাংগা খৎনৈ
অহলসু অহলগা শাউনৈ।

মুক্নবশিংগী মরক্তা শীংনবা
শীংনবশিংগী মনুংদা হাৎতোক্নবা
হাৎনরিবশিং'দুসু ঈ মশেল
ঈ মশেলগী মরক্তা
লৈরি লোন্না লম্বানবা...।

### পুন্সিনা পুন্সি অমদা হংলি

*– তবানু খুরাইজম*

পুন্সিনা পুন্সি অমদা হংলি
ৱাহং কয়া কয়া তত্তনা
ঐখোয়বু অসুম হিংখিসিরনে
ঙসিগী তাইবঙগী লৌনম্বলক্তা?
কংলবা মালেম লৈমসু
খৌগংনা ঙাইরি নোংদোল লাইজ
মনা কংলবা উপাল–ৱাপালনা
খাঙলি ৱানা তুশোন মানশোন্না
নোংদোল অতিয়া পক্লা পাইরি
অমংবা নোংনা মায়কৈ খঙদা
ওল্লাং ওনশাউরি মীওইবগী পূক্নীং
করি থোক্লগবা তম্বা ঙম্নদনা।
পুন্সি কয়াগী পুন্সিশিংনা
চিনবান থোক্লা ঙাংনবা হৌরকই
অসুক ৱানা পুন্সিনা লেল্লিবা
হিংখিসিরা ঐখোয়বু ঙসিসু অসুম
ওইদবগী ঈপাক্তা তাউদুনা পুন্সি।
ৱাখলগী ফৈরাদা তোং তোংদুনা
নোম–নোম শাগাই তোং
চানবা লৈতে তখেল থাঙ
পারি পুরীগী প্রমান পান্থে
মতম মাসু য়ৌরক্লনি
অওনবা লাক্লে মালেমসিসু
পুন্সিনা পুন্সি অমদা হংনরি
শান্ন–শান্নদুনা অৱাবা খাঙদুনা
তাইবঙগী লীল্লা ফম্বাক্তা।

### ঐ য়াওদ্রগা লোইরে

*– কামিনিকুমার*

লুবনি ঐ হায়বসি য়াম্না
মাঙবা য়াবা নত্তে ঐ
ফত্তবা য়াবা নত্তে ঐ
লোইরে ঐ শোয়দ্রগা।
য়াদে ঐ পৈশা তান্দবা
য়াদে ঐ ইচা শেমদবা
ঐ ইচা ট্যুইসন
য়াদে থিন্দবা, য়াদে লৌবা চত্তবা
উদে ঐ শাগৈ
খঙদে ঐ ইচিন ইনাও
য়াদে ঐ নুপী মপামগীদি শোয়বা।
য়াই ঐ সরকারগী থবক চৎত্রবসু
খঙদে ঐ ক্লবকী, লৈবাক্কী ৱা
য়াদে ঐ ভোট য়াওরুবা
ঐ ভোট থাদমল শেল
লৌদবা য়াদে মীরেপ পূম্নমক্তগী
খঙদে ঐ, খুন্নাই
খঙদে ঐ, লৈবাক্কী অরুবা ৱা
লোইরে ঐ, ঐগী শোয়দ্রবা।
ফৎত্রবসু খুন্নাই পূম্নমক
ঐ ফরগা লোইরে
ঐ য়াওদ্রগা লোইরে।

### নাম্মা হোরে

*– ইরোম মোবি*

পৈ– পৈদনা য়োল্লম্বা
কিহোম, শিং, য়াইঙং...
য়োনবা উখিদরে হান্নগুম,
খজিক খজিক য়োল্লিবসিসু
মমল য়াম্না তাঙলে
তাঙবতা নত্তনা ফংবা ৱারে।
ইরমদমগী পোখোকপু
য়াখোঙ থুম্না চাবা ফংদমখৈ
মপান্দা থাদোকপসিবু
ফরিব্রা, চুন্নিব্রা, ঙাওদ্রিব্রা?

### লানলোং

*– বীজয় মঙাংচা*

নীংখায়রকপা কীন্থরকপা য়েংলি
মচেৎ–মচেৎ থুগায়নবা হোৎনরি
শীং য়াংশিল্লি লেপ্তনা
মৈচাক ফরকপা ঙাইরি
কল্লকপা মীহৌবশিং।

মঙক থাঙ্গৎতুনা য়েংলি
নাকোং শেংদোক্তুনা তারি
মায়কৈ ওন ওন্দুনা
মীৎকপ মীরাওখোল
ওনশিন–ওনশিন্দুনা নোকমীন্নরি।

লানগী লানলোং য়াৎলি
লেপ্পা লৈতনা থৌজিল্লি
অচেঙবা অহোবা থীরি
মায়কৈ থুংনা পাউ থারি
নুংঙাই মপাও ঙাইনররি।

হরাও মথোই কারি
মোন্দুম মোন্তেক মথক্তা
লুপা চবুন–চবুন চাইরি
ৱা–ৱা নোক্লি
কল্লকপা মীহৌবশিং।

### নোংঙান্দ্রবা অহিং

*– মেঘা কোলোম*

থাগৎখি মঙলান্দুদা কয়ারক
পাইখৎলি মনীং তম্না
ৱাংনা নোংমদোল অতিয়া থক
পূক্লী তৎনখ্রবা তেলঙ্গা
কাউথোক্লম দোড়ী লংলাবু।

ঙম্নদ হকথেংনরু পূম্নমক
খূৎশিন্নরুই চেক্লাদুদসু পাউখোল,
"হাদ উরিক নাপঙবী
নমানা কৌই তাদবী
নপানা কৌই খুমদবী
পম্থৌগী খারী লৌবুক্তদা
চুপথোক্লুরো মহৈ মরোংশিং"।

শিন্নীনা শেঞ্জাউ পায়বশিংগী
থৌমীনা অঙম অথৌশিংগী
কান্নদ্রবা মকু কুরাংপানখক
হৌগৎ ঙম্নদ্রবা লৌমীশিংগী
চুপথোকপীখ্রবা য়াখুন নাইহন্দ,
উনৈ খাংনৈ য়েংনৈ
মন্তিক্নখ্রবসু মমল কাউনা
লোম্থোক্ত চুদৎনরবা খুন্নাইসিগী
মহৈকোন পূম্নমক লোইশঙগী
অয়েকপা ওজাগী পোলাংশিং
উৎলি থেল্লি চায়রিবা
কান্নদ নোংমদোল পক্নদি,
কুইমল্লেদা মন্নবা অহিং
মঙলাক হংলাক্নরে তুমখুন
করম্বা য়াওন 'মগীদমক
ঙাইনরিবা ৱানা ঙসি,
উনরকখিদ্রা অয়ুক্কী নীংথিবদা
পোম্বী চেক্লা কয়াদুনা
মতু মমান্দি খিংজনা
শেংলবা কোরৌগী মঙাল্লক।